# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-10-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ৩৬ কী ওইবা কমিতি অমা শেমবা সরকারনা থৌরাং তৌরি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৯ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৩) দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা সরকারগী অমদি লনাই হেলথ কেয়ার ফেসিলিতিশিংদা অমুক্তং শিজিন্নবা মেদিকেল দিভাইস অমসুং দিস্পোজিবল সরজিকেল আইতেমশিং হন্না শিজিন্নদনবা খঙহনখ্রে।

**------**

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ৩৬ কী মাহুৎশিং য়াওবা কমিতি অমা শেমবা সরকারনা থৌরাং তৌরি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী ওইবা কমিতি অমা শেমবগী ৱাফম থল্লকখ্রবা মতুংদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেতরিয়েটকী দরবার হোলদা মণিপুরগী চীংগী খুলগী লুচিংবশিং ওকপগী থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অপুনবগী ওইবা কমিতি অসি শেমবা হোৎনবদা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবা, এম.এল.এশিং অমসুং মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু। কমিতি অসিনা রাজ্য অসিদা কাংলুপ খুদিংমক্কী

ওইবা অপুনবগী শক্তম শাগৎপা, নুংশি চান্নবা, শান্তি অমসুং পুন্না চাওখৎমিন্নবগী মাইকৈদা চংশিনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

চহি অসিগী মেরা হৌচোংবগী থৌরমদা শরুক য়ানবা লাকখিবা চীংগী খুলশিংগী খুল্লাকপশিং মুখ্য মন্ত্রিনা ঙরাং শঙ্গাখিবা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা ত্রাইবেলশিংগী ওইবা গেষ্ট হাউসতা লৈরি। খুল্লাকপশিংগী উন্নবা অদুদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবা, এম.এল.এশিং- টি. রোবিন্দ্রো, জাংহেমলুং পানমৈ, রাম মুইভা, কে.ঐচ. ইবোমচা অমসুং এল. রামেশ্বর শরুক য়াখি।

হৌচোংবা(এল)ঃ মণিপুরদা হয়েং মেরা হৌচোংবা কুম্মৈ পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে।

মেরা হৌচোংবা থৌশিল লুপ সনা কোনুং অমদি ষ্টেট লেবেল মেরা হৌচোংবগী ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা থৌরম অসি সনা কোনুং অমসুং কংলাদা পাঙথোক্কনি। চহি অসিগী মেরা হৌচোংবগী কুম্মৈদা শরুক য়ানবা চীংগী খুলশিংগী খুল্লাকপশিং অমদি খুঞ্জাশিং ঙরাংদগী ইম্ফাল থুংলবা হৌরে।

শৈশক (এল)ঃ ৩৩ শুবা গুরু কৃতনা সেবা ২০২৬ কী শরুক অমা ওইনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা গুরু কে.ঐচ. গুলাপিগী মৈতৈলোন শৈশক্কী ফেষ্টিভেল ঙসিদগী হৌদুনা ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোং মপানদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা শ্রীশ্রী রাধা কৃষ্ণ লিলা উৎকনি।

মৈ (এল)ঃ থার্তি থ্রি বাই ইলেভেন কে.ভি. ইরোইশেম্বা সবষ্টেসনগী মখাদা লৈরিবা ইলেভেন কে.ভি. লাঙ্গোল ফিদরনা মৈ পীরিবা মফমশিং ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৩ মখায় ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৯ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

হেলথ ঃ দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ হেলথ সার্ভিসেস (দি.জি.ঐচ.এস)না সরকারগী অমদি লনাই হেলথ কেয়ার ফেসিলিতিশিংদা অমুক্তং শিজিন্নবা মেদিকেল দিভাইস অমসুং দিস্পোজিবল সরজিকেল আইতেমশিং হন্না শিজিন্নদনবা খঙহনখ্রে।

রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী চীফ সেক্রেতরিশিং, হেলথ সেক্রেতরিশিং অমসুং হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তরশিংদা ইবা চিঠি অমদা দি.জি.ঐচ.এসনা হায়- লনাই অমসুং কোর্পোরেট হোস্পিতাল খরদা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি অমুক হন্না শিজিন্নবা থেংনরে। দি.জি.ঐচ.এসনা মখা তানা হায়- পোৎলমশিং অসি অমুক হন্না শিজিন্নবনা অনাবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্তা পোৎলমশিং অসি অমুক হন্না শিজিন্নদনবা অকনবা থবক লৌখৎনবসু দি.জি.ঐচ.এসনা খঙহনখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি উরিষা অমসুং উত্তর প্রদেশতা চৎকনি। শ্রী মোদিনা উত্তর প্রদেশকী বরানাসিদা ফিরোল তুবগী অনৌবা ফেক্তরি অমা শঙ্গাগনি। মসিনা ভারতকী টেক্সতাইলগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা লমদম অদুগী উদ্যোগশিং হেন্না চাওখৎহনবা ঙমহল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা নমো ঘাৎতা এয়ার ফোর্স ডেগা মরী লৈননা এরিয়েল দিসপ্লে অমসু য়েংগনি। থৌরম অদুদা উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথ অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ শরুক য়াগনি। এরিয়েল দিসপ্লে

অদুদা তেজাস, লাইট কম্বেট হেলিকোপ্তর প্রচান্দ, রাফেল য়াওনা অতৈ এয়ারক্রাফট কয়া শরুক য়াগনি। মদুদা ভারত নেভি অমসুং লান্মী এয়ারক্রাফটশিংসু শরুক য়াগনি।

মসিগী তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা উরিষাদা চত্তুনা ভুবনেশ্বরদা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী নৌনা শাবা দেটা সেন্তর অমসুং সাইবর সেক্যুরিতি ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটসু শঙ্গাগনি হায়রি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- ভারত অমসুং আফ্রিকাগী মরক্তা মতম শাংনদগী হৌনা অফবা মরী লৈনরক্লি। নিউ দিল্লিদা আফ্রিকাগী হেদ ওফ মিসনশিংগা উন্নবদা ৱাফম অসি মহাকা ফোংদোকখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- উন্নবা অদুদা ভারত অমসুং আফ্রিকাগী মরক্তা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

রেল ঃ রেল মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা সটনা দেবেন্দ্রনগর অমসুং রেৱা চুরহাৎ রেল সেক্সনশিং শঙ্গাখ্রে। মসিগা লোয়ননা দেবেন্দ্রনগর-চুরহাৎ পেসেঞ্জর ত্রেন সার্ভিসসু লমথাখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শঙ্গাবা অমসুং ত্রেন লমথাবগী থৌরম অদুদা মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মহোহন যাদবসু শরুক য়াখি। ললিতপুর-সিংগ্রোলি রেলৱে প্রোজেক্টকী মখাদা রেৱাদগী চুরহাৎ ফাওবগী কিলোমিতর ৬৫ রোমগী রেলৱে লাইন অসি শেমগৎপদা লুপা কোতি লিশিং ১ হেন্না চংখি। অদুগা সটনাদগী দেবেন্দ্রনগর ফাওবগী কিলোমিতর ৫৩ রোম শাংবা রেলৱে লাইন অসি শেমগৎপদা লুপা কোতি ৮০০ হেন্না চংখি হায়রি। অনৌবা রেল লম্বীশিং অসিনা মফম অদুগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োক রম্বশিং কোহনবা ঙম্লগনি।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি মনিক সাহানা নৌনা শাবা বিশালঘর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিস ঙরাং শঙ্গাখ্রে। বিশালঘর টাউন হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা নৌনা শেন্বা লম্বী ৮ সু ভারচুয়েল ওইনা শঙ্গাখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মনিক সাহানা হায়- মমাংগী শেনবা চহিদা লুপা কোতি লিশিং ১,৫০০ গী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে।

সাউদি ঃ ভারতনা সাউদি অরাবিয়াদা লৈরিবা ভারত মচাশিং, মরুওইনা উমরা যাত্রিকশিংগী ওইবা এদভাইজরি অমা নৌনা থোকখ্রে।

থৌরাং অসি মফম অদুদা দ্রোন অমসুং মিসাইল এটেকশিং চথুরকপদগী চরাংনবা থোক্লিবা অদু য়েংলগা লৌখৎলকপনি। জেদাহ্দা লৈরিবা ভারতকী কন্সুলেট জেনেরেলনা হায়- হৌজিক হৌজিক মফম অদুদা ফ্লাইট কেন্সেল তৌরকপদগী খুদোংচাদবা মায়োকরিবশিং মফম অদুগী ওথোরিতিগা পাউ ফাওনদুনা মতেং পাংনবা হোৎনরি। জেদাহ্ অমসুং মক্কাদা পুং ২৪ মথৌ তৌগদবা কন্ট্রোল রুমশিং হাংদুনা খুদক্কী ওইবা তেংবাং য়াওনা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি।

সিন্ধু ঃ বেদমিন্টনদা ভারতকী পি.ভি. সিন্ধু ফ্রেন্স ওপন ২০২৬ কী ফাইনেল চংখ্রে। পেরিসতা চথুরিবা তুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ ঙসি শান্নগনি। ফাইনেল মেটচতা পি.ভি. সিন্ধুনা সাউথ কোরিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান অন সে য়ংগা থেংনগনি।

পরিসকী এরেদা গ্রান্দদা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পি.ভি. সিন্ধুনা জপানগী হিনা অকেচিবু ২১-১০, ২০-২২, ২১-১৬ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

ক্রিকেট ঃ ভারত অমসুং নিউজিলেন্দগী নুপাগী টি-ত্বেন্তি ইন্তরনেসনেল ক্রিকেটকী ঙরাং হগ্লি ওভেলদা শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা ৰিকেট মরিদা থোইখ্রে। মেটচ মঙা শান্নগদবা সেরিজ অসি ভারতনা ২-০ দা মাংজিল থারি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টরনা ত্রাইবেল চীফশিংগী গেষ্ট হাউস শঙ্গাখিবা, সিনাই কেম্পতা লৈরম্বা সু য়াওদবা কাদর ১৭ য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়গা কোন্ননা ফাখিবা অমসুং খাঙবোক মীশিগা মরী লৈননা চত্থরকখিবা জেনেরেল ষ্ট্রাইক হন্দাকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা সিনাই কেম্পতগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে, কেম্পতা লৈশিল্লম্বা খুৎলায় পায়বা কাদর ১৭ পুলিসনা রিমান্দ লৌথখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউচে অসিগী মণিপুরী ইদিসনদা ফুরুপ ৩৬ শুবা পিছ কমিতি শেল্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা ত্রাইবেল চীফশিংগী গেষ্ট হাউস শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা সিনাই কেম্প রেইদ-কে.এন.এ, কে.এল.এগী কাদর ১৭ খুৎশু খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মনুং চন্না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি এন. বিরেননা সুগী চৎন কাংলোন থুগাইবশিং তেরোরিষ্টনি হায়না লাউথোক্কদবনি হায়না ফোংদোরকপা ৱাফম বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা ষ্টেট অসিদা তেরিতোরিয়েল কাউন্সিল শেম্বগী ৱাফম খন্নবা লৈতে হায়না গভর্নমেন্টকী চেরোল অমনা থল্লকপা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মনুং চন্না মণিপুরদা বোদোলেন্দ তেরিতোরিয়েল কাউন্সিলগী ফিভম লাক্লবদি রিজাইন তৌগনি হায়না এম.এল.এ জয়কিসননা ফোংদোকপা ৱাফম

বোক্স আইতেম ওইনা ফোংলি।

সরকারনা মণিপুরগী তেরিতোরিয়েল ইন্তিগ্রিতি ঙাকবা চপ চানা লেপ্লি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকপা ৱাফমনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

রাকেশ মীহাৎকী মায়োক্তা চথুবা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক হন্দোকখ্রে, অশিবা হকচাংদি লৌ য়াদ্রি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। বি.এস.এফকী রেজিং ডে থৌরম য়াওনবা অমিত সাহ দিসেম্বর থাদা মণিপুরদা লাক্লবা য়াই হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মেরা হৌচোংবা থৌরমগী মাংওইননা চীংগী চীফশিংগী গেষ্ট হাউস শঙ্গারিবসি নুংঙাইবা পোকই হায়না সি.এমনা ফোংদোকপা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তেরিতোরিয়েল ইন্তিগ্রিতি কায়হল্লোই হায়বা লৈঙাক্কী ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

নোংপোক সেকমাইদা চীংমী তম্মী অনিনা ৱাকৎ মীফম চথুখ্রে হায়বা পাউ অনৌবা মায়ওনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

বোদোলেন্দগী মওংদা কুকিশিংগী তেরিতোরিয়েল কাউন্সিল শেমগদৌরব্রা হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী বেন্নর হেদলাইন ওইরি। পাউ অসিগী মনুং চন্না তেরিতোরিয়েল ইন্তিগ্রিতিদা শিংনরকপশিং থেংননবা লুপ মঙানা খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে, এ.কে. মিশ্রা উন্নখিবদু শান্তি হঞ্জিন্নবা ৱা তান্নবনি হায়বা সি.এম.ওগী ৱারোল অমসুং মণিপুর কায়বা য়াবগী ফিভম লাক্লবদি ফম থাদোক্কনি হায়বা এম.এল.এ জয়কিসনগী ৱাফম সব-হেদলাইন পীরি।

------